## অবেনা ঈচাউগী ভিক্তিমশিংদা মতেং পাঙগনি হায়খ্রে

টোকিও, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :
হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা নোংকা হেন্না চুদুনা ঈচাউ থোকপদগী অমাং অতা থোকখিবা জপানগী খা নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে অমসুং লমদম অদুবু নৌনা শেমগৎ শাগৎপদা গভর্ণমেন্টনা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা হৌখিবা চয়োলদা নোং কন্না চুবদগী ক্যুসু ঈথৎকী মফম কয়াদা চীং নীংখাইখি অমসুং তুরেল কয়া ঈমাই পাথোকহনখি। ফীভম অদুদা মীওই ৪০০,০০০ হেন্না ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা লৈনখি। হৌজিক ফাওবদা শাথিরবা নোংজু অদুদা মীওই ২৫ শিখ্রে অমসুং মীওই ২৩ থীবা খঙদনা লৈরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী মীয়াম্না শৌগৎনবগী চাং খ্বাইদগী নেম্না লৈরে হায়না লৌনরিবা অবেনা ঈচাউ অমসুং চীং নীংখাইবগী থৌদোক্তুনা মরম ওইদুনা য়ুরোপকী খোঙচৎ নোংমা তেনশিন্দুনা অৱাবা তারবা লমদম অদুদা থুনা চঙশিনখিবনি।

## চাইনাগী লান্মী মশিং চাউনা ককথদুনা মিলিয়ন ১ য়ৌদনা থমগদৌরি

বৈজিং, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :
মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা আর্মি ওইরিবা চাইনাগী মিলিয়ন ২.৩ য়ৌবা মিলিটরি ফোর্স অসি শিংথানিঙাই ওইনা মশিং হন্থহন্দুনা মিলিয়ন অমা য়ৌহন্দনা থম্লগনি। মসি পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী পুৱারীদা ক্রুপ মশিং খ্বাইদগী হেন্না হন্থহনবগী খোঙথাং ওইরগনি।



পি এল এগী এক্টিভ আর্মি পার্সনেল মশিং মিলিয়ন অমা য়ৌহন্দনা থমগদৌরিবসি মসিনা অহানবা ওইগদৌরিবনি হায়না পি এল এ দেলিনা রন তৌবা সোসল মিদিয়া আউটলেট অমদা ফোঙবা রিপোর্ট অমনা হায়খি।

চাইনিজ মিলিটরিগী মওং মতৌদা শেমদোকপগা মরী লৈনবা আর্টিকল অদুনা হায়খি মদুদি, রিফোর্ম অসিগী মতুংদা আর্মি পার্সনেল মশিংনা কা হেন্না য়াম্বা মতম শাংনা লৈরক্লবা মিলিটরি ষ্ট্রকচর অদু হোংদোক্লগনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংনা পি এল এগী ক্রুপ ৩০০,০০০ হন্থহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, পি এল এগী নেভি, পি এল এগী ষ্ট্রেটেজিক সপোর্ট ফোর্স অমসুং পি এল এ রোকেট ফোর্সকী ক্রুপ মশিং হেনগৎলগনি। পি এল এ এয়র ফোর্সকী এক্টিভ সার্ভিস পার্সনলেশিংদি হান্নগী মশিং কায়হন্দনা থমগনি।

চাইনিজ মিলিটরিগী কয়াৎশিংগী মওং মতৌদা অহোংবা লাকহনগদৌরিবসি লৈবাক অসিগী ষ্ট্রেটেজিক্কী পান্দমশিং অমসুং সিক্যুরিটিগী ওইবা তঙাই ফদবশিংদা য়ুম্ফম ওই। মমাঙদা পি এল এনা লৈমায়দা লান শোক্লবা অমসুং হোমলেন্দদা শিংনরকপশিং ঙাক শেনবদা মীৎয়েং থমখি। হৌজিক্তি হোমলেন্দ ঙাকশেনবগী মওংদা মরু ওইবা অহোংবা কয়া লাক্লগনি হায়না আর্টিকল অদুনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা হৌখিবা চহী অনী অসিদা মিলিটরিগী চাদিং ককথখি। চহী অসিদা (২০১৭) মিলিটরি চাদিং হেনগৎপগী চাং চাদা ৭ তমক ওইহন্দুনা চহী ১০ হেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা চাংদা চাদিং হেনগৎপগী মওং ওইরি।

হন্দক চহী খরা অসিদা চাইনানা মরু ওইবা সি পৱার অমা ওইরকপা ঙমখি। লৈবাক অসিনা অতৈ লৈবাকশিংগা য়েংথীনবা নৎত্রগা মুক্লবগী মওংশিং লৈবসি কংফাল লমদগী ঈশিং ঈপাকশিংদনা হেল্লি। য়ুম্লোন্নবা লৈবাক ১৪ গী মনুংদা শুপ্পগী লৈবাক অনী হায়বদি ইন্দিয়া অমসুং ভুটান খক্তগা চাইনাগা লমগী য়েৎনবা লৈ।

## নোর্থ কোরিয়াগী আই সি বি এম চাংয়েং মতুংদা য়ু এসনা অলাস্কাগী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম চাংয়েং তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :
দমি মিসাইল অমা শিজিন্নদুনা মিসাইল দিফেন্সকী চাংয়েং পাঙথোকখিবগী ভিদিও অমা য়ু এসকী মিসাইল দিফেন্স এজেন্সিনা রিলিজ তৌখ্রে। হাৱায়ীগী মনাক্তা থাগৎখিবা মিসাইল অদু থাদ দিফেন্স সিষ্টেমনা অলাস্কাদগী কাপ্লকখিবা অতোপ্পা মিসাইল অমনা থুগায়খি।




চাংয়েং অদুনা য়ু এসকী এয়রস্পেস শিংনরকপা পোৎশক খূদিংমক লৈবাক অসিনা কাপথনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়বগী পাউজেল অমা নোর্থ কোরিয়াদা পীখ্রে হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা চাংয়েং তৌখিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা অলাস্কা য়ৌবা ঙমগনি হায়না এক্সপার্টশিংনা থাজরিবনি। অসিগুম্বা খেঙথাং অসি লৈদুনসু মালেমদগী তোঙান তারবা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই (বোম) অমা আই সি বি এম অমদা হাপচিনবা য়াগদবা মওংদা দিজাইন তৌবা ঙমই হায়বদু উৎপগী তঙাই ফদবা লৈরি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা অসিগুম্বা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই দিজাইন তৌবা ঙমই হায়বদু প্রুভ তৌবা চঙখিগনি হায়বা লৈরবসু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা য়ু এসনা মসিগী ওফেন্সিভ অমসুং দিফেন্সিভ কেপেবিলিটিশিং চাংয়েং তৌবদি লেপত্রি।

নৌনা রিলিজ তৌখিবা ভিদিও অদুনা য়ু এস এয়রফোর্সকী সি-১৭ অমনা হাৱায়ীগী অৱাংলোমদা পেসিফিক ওসিন মথক্তগা দমি মিসাইল অমা কাপ্পগী শক্তম উৎখি। অলাস্কাগী কোদিয়াকতা লৈবা পেসিফিক স্পেসপোর্ট কমপ্লেক্সতা থম্বা থাদ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমনা দমি মিসাইলদুগী খোঙচৎ য়েংশিন্দুনা লৈখি অমসুং মদুবু থুগায়নবা মশাগী ওইবা মিসাইল অমা কাপখি।

চাংয়েং অসিনা থাদ ৱেপন সিষ্টেমগী তৌবা ঙম্বশিং অমসুং সিষ্টেম অসিনা বলিষ্টিক মিসাইলশিংবু থৎপা অমসুং থুগায়বা ঙমই হায়বদু উৎলে। থাদনা ঐখোয়গী সিটিজনশিং, ফোর্সশিং অমসুং মীচংশিংবু থাঙ্গৈশেংবা থ্রেটশিংদগী মখা তানা কল্লি হায়না এম দি এগী দিরেক্টর লেফটিনেন্ট জেনরেল সেম গ্রীভজনা হায়খি।

## ফোনদা নমথাক তৌরম্বগী মরালদা চাইনাদা জপানিজ মচা ৩৫ ফাজিন্দুনা থমখ্রে

টোকিয়ো, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :
চাইনাগী খা-নোংপোক থংবা প্রোভিন্স ফুজিঅনদা ফোনদা নমথাক তৌরম্বনি হায়বা জপানিজ নেসনল ৩৫ চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না জপানিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ৩ দা গুৱাংঝৌদা লৈবা জপানিজ কোন্স্যুলেট জেনরেলদা লোকেল ওথোরিটিশিংনা জপানিজ নেসনল ৩৫ নমথাক তৌরম্বগী মরালদা ফাজিন্দুনা থল্লে হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবনা মরম ওইদুনা ওফিসল অদুনা মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পীখিদে। নিক্কৈ বিজনেস দেলিনা থৌদোক্তুগী মতাংদা ফোঙদোকখি মদুদি জপানিজ নেসনলশিংদু চিবা প্রীফেকচরদা লৈবা মীওইশিংদা টেলিফোনগী খুত্থাংদা তৌবা নমথাক কয়াদা চেন্নরম্বগী মরাল শিখি। চিবা প্রীফেকচর অসি জপানগী কেপিটেল টোকিয়োগী নোংপোক্তা লৈবনি।

মসি চাইনাদা হৌজিক ফাওবদা ওপরেট তৌরকখিবা খ্বাইদগী চাউবা জপানগী টেলিফোনদা নমথাক তৌবা গ্রুপনি হায়বা য়াই মরমদি ফারিবা মী মশিং অসি মসিনা ইহেন হেল্লি হায়না নিক্কিনা ফোঙদোকখি।

জপানিজ ওথোরিটিশিংনা থি-হুম্বা অমসুং ফাবা-পুনবা ঙমদনবগীদমক্তা অসিগুম্বা গ্রুপশিং অসিনা হন্দক চহী খরসিদা চাইনাদগী টেলিফোন কোলশিং তৌই হায়না নিক্কিনা মখা তাখি।

সিনিয়র সিটিজনশিংবু টার্গেট তৌদুনা ফোনদা নমথাক তৌবগী থৌদৌ অসি জপানদা পাক শন্না চথৈ। অসিগুম্বা মওংগী কেস অমদা নমথাক তৌবা মীওই অমনা অহল ওইরবা মীওই অমদা মখোয়গী মচা নৎত্রগা মশু শাদুনা হেক হেক ফোন তৌই অমসুং শেল কা হেন্না চিল্লে অদুনা বেঙ্ক একাউন্ট অমদা শেল হাপ্পীরকউ নৎত্রগা মরূপ-মপাং অমদা শিন্নবীরকউ হায়জিল্লি।

ফাজিন্দুনা থল্লিবা জপানিজ নেসনলশিংদুনা অদুগুম্বা নমথাকশিংদুদা মচা-মশু কয়া শাদুনা অহলশিংদা ফোন তৌরম্মী। মখোয়বু জপানদা শিন্নরকপগী ৱাফম অসি চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা লৌগদবা ৱারেপনি হায়না নিক্কিনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা জপানিজ পুলিসকী ওফিসলশিংদগী খুদক্তা কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে।

জপানদা টেলিফোনদা নমথাক তৌবগী থৌদোক অমদা মতম খরগী মমাঙদা চহী ৭৩ শুরবী নুপী অমদগী য়েন মিলিয়ন ১৫ (দোলর ১৫০,০০০) নমথাক তৌদুনা লৌথোকখি। হৈ-শিংলবা ক্রিমিনেল অদুনা নুপী অদু নহা ওইরিবা অনকপা মরী-মতা অমা শাখি অমসুং মঙোন্দা মহাক্কী ইমপ্লোয়রনা পীরকখিবা য়েন মিলিয়ন ৩০ (দোলর ৩০,০০০) গী চেক মাংখ্রে হায়খি।

নুপা অদুনা শেনফম অদুগী তঙ্খায় অমরোম লোন ওইনা পীবিনবা নুপীদুদা হায়জবগা লোয়ননা অৱাৎপা শেনফম অদুনা মহাক্কী বোসকী লোইনবীনা পুথোকপীরগনি হায়জিনখি।

## টেররিজমদা শেল থাদবা থিংনবা কটর অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখ্রে

দোহা, ৱাশিংটন,
জুলাই ১২ (এজেন্সী) : টেররিজমগা মরী লৈনবা থবকশিংদা শেল থাদবা থিংনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কটরনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখ্রে।



নোংচুপ লৈবাকশিংগা মীচং ওইনবা আরব লৈবাকশিংগী মরক্তা থা অমরোম য়েংথিনরকপগী ফীভম লোইশিন্নবা হোৎনরদুনা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটস রেক্স টিলরসন্না কটরগী কেপিটেল দোহাদা খোঙচৎ অমদা লৈরিঙৈদা এগ্রীমেন্ট অদু সাইন তৌনখিবনি।

সাউদি অরাবিয়া, বেহরেইন, য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটস অমসুং ইজিপ্টনা হৌখিবা থাদা কটরবু এক্সত্রিমিষ্ট ক্রুপশিং ফাইনান্স তৌই অমসুং গল্ফ আরব লৈবাকশিংগী য়েক্লবা ওইরিবা ইরানগা অনকপা মরী থম্নৈ হায়না মরাল শিরদুনা দোহাগী মথক্তগা অথিংবা কয়া থমখিবনি। অমরোমদা, দোহানদি আরব লৈবাকশিংনা শিরিবা মরালশিংদু য়াদ্রি।

কটরগী মহাক্কী লেঙমান্নবা শৈইখ মোহম্মদ বিন অব্দুলরহমন অল থানিগা সাইন তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অদু চয়োল কয়ামুক্কী মমাঙদগী খন্ন-নৈনদুনা লাক্লবনি হায়না টিলরসন্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মেদা সাউদি অরাবিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা আরব ষ্টেটশিংগী মীহুৎশিংগা উনখিবনি।

মেমোরেন্দম অদুদা লৈবাক অনীনা লাক্লিবা থাশিং অমসুং চহীশিং অসিদা টেররিজমদা শেল থাদবা থিংনবা অমসুং মালেমদা কাউন্টর টেররিজমগী থবকশিং হেন্না কনশিনহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎকদবা খোঙথাং পরিং অমা য়াওরি হায়না টিলরসন্না মখা তাখি।

কটরবু বোইকোট তৌরিবা আরব লৈবাক মরিনা মখোয়গী দিমান্দশিং থুংহন্দ্রিবা ফাওবা অথিংবশিং মখা তানা লৈখিগনি হায়খি।

গল্ফকী অপীকপা লৈবাক অদুনা টেররিজম ফন্দিং তৌবা থিংনবা হোৎনবগী মওংশিং কূপ্প য়েংদুনা লৈগনি হায়না লৈবাক মরি অসিনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা ফোঙদোকখি।

ইজিপ্ট, সাউদি অরাবিয়াদা, য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটস অমসুং বেহরেনগী অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা টেররিজম থেংনবদা য়ু এসনা হোৎনরিবশিংদু মখোয়না থাগৎলি হায়খি। অমরোমদা মখোয়না কটরগী থৌওংশিংবুদি কূপ্প য়েংশিনগনি হায়খি।

## চাইনানা মপানদা অহানবা মিলিটরি বেজ লিংনবা দজিবুটিদা ক্রুপশিং থাখ্রে

বৈজিং, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :
চাইনানা লৈবাক অসিগী মপানদা হৌনবী মতুং ইন্না অহানবা মিলিটরি বেজ লিংখৎনবগীদমক দজিবুটিদা ক্রুপশিং থাখ্রে।




চাইনিজ নেভিগী ৱারসিপ অনী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঝাংজিয়াং হিথাংফম থাদোকখি। ইন্দিয়ন ওসিন ফাওনা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অদুদা মশিং খঙদবা মিলিটরি পার্সনেল কয়া য়াওখি।

ষ্টেটনা রন তৌবা গ্লোবল টাইমসকী য়ুমশকৈশা নুমিৎকী এদিটোরিয়েলনা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইরিবা মফম হোর্ন ওফ অফ্রিকাদা অনৌবা দজিবৌটিগী ফেসিলিটি অদু চাইনিজ মিলিটরিদা য়াম্না ওই হায়না ফোঙদোকখি।

মসি তশেংনমক পিপলস লিবরেসন আর্মিগী অহানবা মপানগী বেজনি অমসুং ঐখোয়না মফমসিদা চাইনিজ ক্রুপশিং থমগনি। মসি কম্মর্সিয়েল রিসপ্লাই পোইন্ট অমা নত্তে। বেজ অসিনা চাইনিজ নেভিবু লম হেন্না ওপরেট তৌবা ঙমহনগনি, অদুনা মসি য়াম্না মরু ওই হায়না পাউচে অদুনা ফোঙদোকখি।

গ্লোবল টাইমসনা হায়খি মদুদি, বেজ অদুগী মরু ওইবা থৌদাংদি এন্টি-পাইরেসি অমসুং হ্যুমেনিটেরিয়ন ওপরেসনশিংদা লমদম অদুদা ওপরেট তৌরিবা চাইনিজ ৱারসিপশিংবু সপোর্ট তৌবনি। মসিনা মালেমবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী ৱাফমদি লৈতে হায়না এদিটোরিয়েল অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পীখিবা রেগ্যুলর প্রেস ব্রীফিং অমদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা বেজ অদুবু লমদম অদুদা হৌজিক পায়খৎলিবা পিছ অমসুং সিক্যুরিটি লৈহন্নবা থবকশিংগী শরুক অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনানা কুমজা ২০০৮ দগী গল্ফ ওফ অদেনগী সোমালিয়াগা তাইনবা ঈশিংগী শরুকশিংদা নেভিগী সিপশিং দিপ্লোই তৌদুনা লাকখি। বেজ অসিনা মপুং ফাদুনা ওপরেট তৌরকপদা চাইনাবু মালেমদা তৌফম থোকপশিং তৌবদা মতেং পাংদুনা এস্কোর্টিং মিসনশিং অমসুং অৱা-অনাগী তেংবাঙগী থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমহনগনি। মসিনা দজিবৌতিদা শেল-থুম চাউখৎহনবদা অমসুং সোসল দিভলপমেন্টতা মতেং পাংগনি।

হন্দক চহী খরসিদা চাইনানা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংগা লৈনবা মিলিটরি মরীশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনখিবনি। য়ুরোপিয়ন কাউন্সিল ওন ফোরন রিলেসন্স (ঈ সি এফ আর) গী মতুং ইন্না, পিছ অমসুং সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা অফ্রিকাগা মতেং পাংনবা হায়বসি বৈজিংগী ফোরন পোলিসীগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক্নি হায়রি।

## ফিলিপিন্সকী ট্রুপশিংগা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্লবদা ৯ শিরে

মনিলা, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :
ঙসি ফিলিপিন্সকী খা থংবা শরুক্তা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা কম্যুনিষ্ট লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা লালহৌবা নিপান অমসুং লান্মী অমা শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

খা থংবা কোনপোষ্টেলা তম্পাক্কী প্রোভিন্সতা পেট্রোলিং তৌরিবা ট্রুপশিংগা ন্যু পিপলস আর্মিগী লালহৌবা ৪০ রোমগা থেংনবদগী নাকল অনীগী মরক্তগী খুৎ থোক্লরকখিবনি হায়না আর্মিগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন অলেগজেন্দরি কামলিজনা ফোঙদোকখি।

লালহৌবশিংদু মমৈথংদা চেনখিবগা লোয়ননা লালহৌবা নিপানগী অশিবা হকচাংশিং অমসুং অফবা মখলগী নোংমৈ তরুক মফমদুদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অশোকপা লান্মী অমা হোস্পিটালদা পুবদা লম্বীদা শিখি হায়না কাবানিজনা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রোভিন্স অদুমক্তুদা ট্রুপশিংনা মাক্সিষ্ট লালহৌবশিংগী কেম্প অমা পায়শিনখি। লালহৌবশিংদুনা এসিয়াগী খ্বাইদগী মতম শাংলক্লবা মাক্সিষ্ট লালহৌবা কাঙবুশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। সাউদর্ন মরাৱি সিটিদা ট্রুপশিংবু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা শম্নবা মিলিটেন্টশিংগা থেংনবা ঙমহন্নবগীদমক এটেক তৌবা লেপ্প রগনি হায়না ওফিসলশিং অমসুং লালহৌবশিং অদুগী মহুৎ শিনবা পিছকী নিগোসিয়েটরশিংনা ফোঙদোক্লখিবা লৈনা লৈনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মরাৱিগী লাল অদু য়ুমশকৈশাদা ৫১নি চনবা নুমিৎ ওইগনি। মদু নুমিৎ ১০নিদগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।


**J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES**
**POROMPAT, IMPHAL**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 11th July, 2017

**No. 01/(A/C)/Parking/JNIMS/16/610 :** Sealed tenders are invited from reputed, experienced and financially sound registered contractors **FOR PARKING STAND.** The qualifications, terms and conditions, instructions to the bidders, etc may be seen in the tender document which can be downloaded from **www.jnims.in** or obtained from the Office of the Director, JNIMS, A-Block, Porompat, Imphal East - 795005.

**Sd/- Director,**
**JNIMS, Manipur**

HL-B/4000/13


## লালনা শোকহল্লবা মোসুলগী মীয়ামগীদমক তেংবাঙ কয়া থারগনি

লন্দন, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস) :
লালনা মাঙহন তাকহল্লবা মোসুলগী মীচম মীয়াম্বু মতেং পাঙনবা অহেনবা ফন্দশিং অমসুং থৱায় কন্নবগী তেংবাঙ কয়া থারগনি হায়না বৃটেন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরাকি ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংবু সিটি অদুদগী তকথোক্লবা থা মাপন চুপ্পা চঙশিল্লকখিবা লাঞ্জংদা মীওই ৯০০,০০০ হেন্না ময়ূম-মকৈ থাদোক্লখি অমসুং মোসুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্কী বিল্ডিং অপূম্বগী তঙ্খাই অমরোম থুগাইখি।

দোলর বিলিয়ন অমা হেনবগী ওইবা য়ূম-কৈ অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপগী থবক হৌখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা ফন্দিং তৌবা য়ু কে এইদনা অরুবা থক্লবা ঈশিং, চীঙ্গাক, টেন্ট, কুকিং ইক্বিপমেন্ট, সাপোন অমসুং শাথিরবা লায়না কয়াগী মায়োক্তগা ভেক্সিনশিং ফংহল্লগনি হায়রি। ইন্টরনেসনল দিভলপমেন্ট সেক্রেটরি প্রীটি পটেলনা মীচমশিংনা মোসুলদা হল্লকপদা খুদোংচাহনগদবা থবকশিং পায়খৎপদা শীজিন্নবগী য়ু এন ফন্দদা বৃটেন্না অহেনবা শেল থাদরগনি হায়খি। মীচমশিংনা হল্লকপদা খুদোংচানবগী থবকশিং অদুদা ঈশিংগী ফেসিলিটিশিং, পৱার নেটৱার্কশিং, ক্লিনিকশিং অমসুং স্কুলশিং শেমগৎ শাগৎপা য়াওরি।

ইরাকি প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অলিনা মোসুলবু আই এসকী মখূৎতগী মনিং তমহল্লে হায়না লাউথোকখ্রবসু সিটি অসিগী মফম খরদা মখা তানা লাল শোক্লরি হায়রি।


**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL**

**AFFIDAVIT**

I, **Leimapokpam Ibomcha Singh,** aged about 37 years, son of **Leimapokpam Jogin Singh** of Lamding Laishram Leikai, P.O. Wangjing, P.S. Thoubal, District - Thoubal, State - Manipur do hereby take oath and solemnly affirm as follows :-

1. That, I am the natural father of **Leimapokpam Rishirani Devi** who passed H.S.L.C. Examination in the year 2017 under Roll No. 36325 conducted by Board of Secondary Education, Manipur. This is true to the best of my knowledge.
2. That, at the time of registration form fill-up of the said examination, my said daughter's name, my name and her mother's name have been wrongly recorded as **Laishram Rishirani Devi** (daughter), **L. Ibomcha Singh** (father) and **L. (o) Tani Devi** (mother) instead of **Leimapokpam Rishirani Devi** (daughter), **Leimapokpam Ibomcha Singh** (father) and **Leimapokpam (o) Tani Devi** (mother). This is true to the best of my knowledge.
3. That, I desire to make a correction of my daughter's name, my name and her mother's name as **Leimapokpam Rishirani Devi** (daughter), **Leimapokpam Ibomcha Singh** (father) as recorded in my Aadhaar Card and **Leimapokpam (o) Tani Devi** (mother) in the relevant documents of the said examination. This is true to the best of my knowledge.

Verified that the contents of the above para No. 1 to 3 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge, it conceals nothing and I swear this Affidavit on this 19th day of June, 2017 at Imphal.

**Leimapokpam Ibomcha Singh**
*Signature of Deponent*

**By** : Advocate

**Ch.Dorendro Singh**
Oath Commissioner
Imphal West, Manipur

HL-P/0695/13





HL-B/3932/10/06-13/07